# অশেংবা (অচুম্বা) য়েক সালাই খঙদোকপা

— মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা —

**ঐখোয়গী** ইরমদম অসি কংলৈপাক কৌরিঙৈদা পামহৈবনা নিংথৌ ওইদুনা পান্দ্রিঙৈগী মমাঙদদি মীতৈ ঈনাৎকী চৎন-লীচৎতা, লাইনীং-লাইশোন্দা খেন্নবা য়েৎনবা লৈরমদে। পামহৈবনা কুমজা ১৭০৯ দা কংলৈপাক্কী নিংথৌ ওইখিবা মতুংদা মীতৈগী পুয়া মৈ থাখিবা কোনুংগী লাইরিক লাইশুগী থবক মীতৈ মাইচৌশিংবু পায়হনবগী মহুত্তা মীতোপ মীয়ানশিংদা শিন্নখিবা মখোয়না মখোয়গী চৎনলোন্দা পংই-ইবা, মীতৈ ঐখোয়গী লীখুন মুখুৎনবা হোৎনখিবনা ঐখোয়গী অশেংবা থিরকপদা অৱাবা ওইনা থোক্লে। ঐখোয়গী থৌরমদা য়াম্ন া মরু ওইবা য়েক সালাইবু মীয়ামদা খঙদনবা গোত্রবু ওইনা মহুৎ শিন, সালাইগী মমিং মশীং ওন্থোক ওনশিন তৌখি। কুমজা ১৯৩০ দা নাওরিয়া ফুলোনা কছারদা অপোকপা মরুপ, লিংখৎখিবা, কুমজা ১৯৪৫ গী কালেনগী ৩ নি পানবা নুমিত্তা ৱাংখে থম্বালখোংদা মীতৈ মরুপ ফোংঙখিবদগী অমদি নোংখ্রং ঈহলখিবদগী মপোক তরেৎ শুরবা মীওই কয়ানা মীতৈ লীচৎ অরিবদা হঞ্জিন্নরক্লে। নৌনা ঈনাৎতা হঞ্জিল্লকপা মীতৈ ঈনাৎকী চৎনবী লীচৎ পুমচাই চাইরে। অমনা অমা হায়, অমনা অমা তৌদুনা লৈরম্লে। অদুবু অতৈ লমদা নৈনদ্রবসু মরু ওইনা য়েক সালাইগী হীরমদা নৈনজগে। মসিদা তাথিবিগনু। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়সি নিংথৌজা সালাইনি হায়রমই, ইনাৎ লাইনীংদা চঙলকপদা নিংথৌজা নত্তে, মঙাঙ সালাইনি হায়রে। লাই হৱাউবদা মাইবা-মাইবী, পেনা খোংবনা লাইরোন শকপদা য়েক তরেৎ সালাই মাপন হায়না তারে। অসুম্না মথং মথং থিজিঞ্জবদা ঈনাৎলোইশিং অসি অমনা মৈতৈ হায়দুনা পাখঙবা লাইনীং হায়রে; মীতৈ হায়দুনা সনামহী লাইনীং হায়রে। মীতৈ হায়বা কাঙলুপনা য়েক তরেৎ সালাই তরেৎ; মৈতৈ হায়বা কাঙলুপনা য়েক তরেৎ সালাই মাপন হায়রি। অপোকপা মরুপনা মঙাঙগী মহুৎতা খুমন্না মকোক থংই (হাল্লি)।

করম্বনা চুম্বগে হায়না থিরকপদা পুয়া/লাইরিক্কী মমিং পল্লকপদা ৱারৌবিগনু। ঐখোয়না ঙসি থেংনরিবা চয়েৎনরিবা কয়া অসি তুংগী ইচা ইশুশিংগীদমক্তা চয়েৎনহৌদনবা খরমখৈদি য়াকাইহৈবিরম্বা ফৈ। শ্রী ওইনাম ভোগেশ্বরগী 'সনামহী লাইকল' লাইরিক লমায় ৫৯/৬০ দা য়াওরিবা অসি অমুক্তা নৈনসি। 'শান্তদাস মহন্ত বৈরাগ্য অথোইবনা শাগৈ সালাই ৭ মাগী য়েক-হৌ মৱা হংনা পাউমেল্লকয়ে। (ক) ১। লাইরেল মৈতেংঙু ৱাংঙম লয়কোয় ফম্বদা শান্তিলৎ গোত্র অথোইববু থৌজাল খূৎশিন্নরে। ২। নোংবাল অঙৌবা কোরৌ নোংনিংথৌশুদা কৌশিক মুনিরেনবু হুইবিরে। ৩। ময়িম থাংয়িং চেংলৈবম (খাবা) ভরদ্বাজ মুনিরেনবু পীনরে। ৪। লুৱাং মনিন্নাইবদা কাশাপ সুনিরেনবু ওইহল্লে। ৫। ময়িম নোংয়াই খুমন্দা মধুকলৎ মুনিরেনবু লনখাইরে। ৬। মোইরাং তানা তাবদা অত্রেয় মুনিরেনবু পীনৈয়ে। ৭। ময়িম মনিন্নাইবদা গৌ মহামুনিরেনবু গোত্র খূৎশিন্নরে। নোংথোম্বমচা মেরা মঙাঙগী 'ঐখোয়গী থৌরমলোন' লাইরিক্কী লমায় ১১-১২ দা য়াওরিবসি য়েংসি 'পারি নঙনা য়েক ৭ কী নিংথৌ ওইনা পি-পা মশক খঙনা মেল তোংদুনা লৈরকো। পারি নঙনা খঙগদববদি চাওবদগী চাওবা থোইবদগী থোইবা খঙগে হায়রবদি মালেম শেম্বা মপুনা মথোইরে খঙঙু। মালেম শেম্বা মপুদি নয়াম্বদা হঞ্জিন্না লৈবনি হায়না মপল পম্থৌনা মচাগী মতিক ময়াই হাপ্পীখি। লাইনীং অসিবু থাদোক্তুনা মতম খরা লাই নমুংবা নিংদুনা লৈরুরবনি। ঐখোয়গী পুকোক ৭ লৈজৈ মঙাঙ, লুৱাং, খুমন, অঙোম, মোইরাং, খাবা-ঙানবা, সালাই-লৈশাংথেম হায়না লৈবা অসিবু অতোপ্পা মশক মমিং ওন্থোক্তুনা নিংহল্লে। অদুগী ওন্থোকপা মশক মমিং অদুদি (১) মঙাঙগীনা শান্তিলা গোত্র ওন্থোকপীরে (২) লুৱাংগীনা কাসাপ গোত্র ওন্থোকপীরে। (৩) খুমনগীনা মধুগল্য/মৌদল্য গোত্র ওন্থোকপীরে। (৪) অঙোমগীনা গৌতম/কৌশিক গোত্র ওন্থোকপীরে। (৫) মোইরাংগীনা আত্রেয় গোত্র ওন্থোকপীরে। (৬) খাবা-ঙানবগীনা ভরদ্বাজ গোত্র ওন্থোকপীরে। (৭) সালাই লৈশাংথেমগীনা গৌতম গোত্র ওন্থোকপীরে। অদুগা অসিদা নত্তনা ৯ থোক্লা শেগাইবিরে মদুদি খাবদগী ঙানবা খাইদোকএ। সালাইদগী লৈশাংথেম খাইদোকএ পূন্না ৯ শুরে। মদুগী ওন্থোকপা মশক মমিংনা : ঙানবগী ওন্থোকপা গোত্রনা নৈনিস কৌবীরে। লৈশাংথেম ওন্থোকপা গোত্রনা অঙ্গিরস গোত্রা কৌবিরে। অসুম্না য়েক ৭ সালাই ৯ গী ইপা অমমম শেম্বীরুরবনি। কাঙলুপ খরনা খাবগী মহুত্তা চেংলৈ সালাই হায়বসু য়াওরি। মথক্কী ৱাফম অসিদগী ঐখোয়না ইরায় লায়না খঙলে মদুদি মীতৈনা মীতৈ হীন্দু ওইরুবদা সালাইগী মহুৎতা গোত্র হায়না ওন্থোকপদা সালাই তরেৎপু থুগাইদুনা সালাই মাপল শুহনখ্রে। খাবা-ঙানববু খাবা হায়বা অমা ঙানবা হায়বা অমগা অনি থোকখ্রবনি। মখোয় অনী তোঙান তোঙানবা সালাই ওইরবনিনা খাবা সালাইগা ঙানবা সালাইগা চা-রৌ মৌরৌনবা য়ারবরা? হৌরকঙৈদদি মখোয় অনীসি সালাই অমত্তা ওইরমই। অসুম তৌদুনা লৈশাংথেম সালাইগা সরাংথেম সালাই অনীসি লৌন-লৈনবা য়াবরা? মথক্কী অসুম্না লৌন-লৈনবা য়াওরবদি মদুগী তেকচাক অদু য়েক তরেৎ সালাই মাপন হায়গনি হায়রিবা মাইচৌ শাবা, অমাই পিবানা পুফম থোকই, পাখঙ লৈশাবী অনীনা পুফম থোক্তে। মীতৈ হীন্দুগীদি হীন্দুগী চৎন-পথাপ্তা লুপখ্রবনিনা তোপনা থনমখ্রসি। হীন্দু লাইনীং থাদোক্তুনা মীতৈ লাইনীং অরিবা ইপানাৎ-ইপুনাৎতা হঞ্জিনজরবা ঐখোয়না করিগী য়েক তরেৎ সালাই মাপন হায়দুনা লৈবগী মথৌ তাদ্রে। হন্দনা হঞ্জিল্লবদি য়েক তরেৎ সালাই তরেৎতা হঞ্জিনবদা করি অকায়বা লৈবগে? নুপা থোকপা ঙমদবগী ৱারা? নৎত্রগা হীন্দু মনম শেংনা কোক্তবগী তৌবরা? মীয়ান গুরুনা ইরম্বা লাইরিক্তা ঙাউদুনা লৈরিবরা? য়েক তরেৎ সালাই মাপন হায়গনি হায়বা কাঙলুপ খরনা হায়রি মদুদি য়েক তরেৎতগী সালাই মাপন কৌবা মশীং হেনগৎপনি। ৱাফম অসিদা কাঙলুপ খরনা হংলিবা ৱাহংদি য়েক্লা হানবরা সালাইনা হানবরা? ৱাহং অসিগী পাউখুমদি মখাদা য়েক করিনো/কনানো, সালাই কনানো হায়না নৈনরকপদা য়াওরক্কনি। য়েক সালাইগী ৱাফম অসি কুপ্পা নৈনদবা য়াদে লোয়ননা অশেংবা অচুম্বা অমা খঙদোক্তবা য়াদে। মরমদি মীতৈ লীচৎকী লাইশোল-তীলশোল, ইরাৎ থৌরম, মরু ওইনা চারৌ-মৌরৌনবদা লানখিবা য়াদবা চাদা-নাওদাদা অকায়বা কয়া অমা লৈ। মমাঙঙৈদদি য়েক লৌনবসি কোনুংনা লৈকায়দগী তান্থোক্তুনা লোই থারমই। খুদম ওইনা চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতম কুমজা ১৮০০ ইঙেনগী ১৩ নি পানবা ইরাইদা য়েনকোকপমগা সনসমগা (লুৱাং সালাই) মশেন লৌনৈ হায়দুনা হাওজোংবদা লোই থাই। (চৈথারোল কুম্বাবা লাঃ ৪৪১), কুমজা ১৮০০ হিয়াঙ্গৈ ২৮ নি ইরাইদা য়াংলেমগা লাইশ্রমগা (খুমন মশেল) লৌনৈ হায়দুনা হাওজোংবদা লোই থাই (চৈথারোল কুম্বাবা লাঃ ৪৪৩) দা য়াওরি।

সনামহী তেম্পল বোর্দনা শিন্দুনা লাইনীংথৌগী শঙলেন্দা চৈচৎ ২৭-৫-১৯৮৮ ইংদগী চৈচৎ ২৬-৪-১৯৯২ ফাওবদা মীফম ৩১ রক ফমখিবা মীফম্না পুয়া মরি (১) খল্লাং ইরেং পুৱারী (২) ৱাকোকলোন থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুয়া (৩) ৱাকোকলোন হিলেল থিলেল সালাই অমাইলোন পুকোক পুয়া (৪) সাকোক থিরেন্নচিংবা অশেংবা পুয়ানি হায়না লৈপাক্লা য়ানখিবনি। পুয়া মরিগী মনুংদা ৱাকোকলোন হিলেন অমসুং ৱাকোকলোন থিলেলদা য়েক সালাইগী মতাংদা করি য়াওরিবা/হায়রিবা অমুক্তং য়েংসি। (ৱাকোকলোন হিলেন লাঃ ২৭, থিলেলনা লাঃ ৯৮ য়েংবীয়ু) 'হাউলোকপম চনু মমোমলোই কোনথৌ ঈতা সাতচপী তম্ফা চনু নুচাপু লৌলুপা অসিতা নততনা মীতৈ চনু সালাঈলুপ সাখাঈকী মচা মসুপু লাঈনিংথৌ সিতপা সালাঈলেলনা লৌলুপতকী লাঈয়াম পুম্নমকনা খুনতীন য়াকাতুনা কংলা সঙকাঈ মেন-সঙতা, তানয়ৈ সেনপুঙ য়ৈতুনা খুনতীন য়াকা য়াথোকলে, য়াথোকপাতা পাখঙপানা হাঈলকঈ ঈলাপুঙ ঈপুঙঙো সিতাপা নমু তাঈপঙ চাতোন সুতোনসিংনা লাঈগী চাতা নাউতানি হাঈনা চতলকাতাপা অসিপু কলম হাঈনা তৌকপা অসি ৱাতি হাঈলাপাতা সালাঈলেলতি সিতপা নুংপুঙ ৱাখল তৌতুনা হাঈলকঈ ঈলালিআো নুংসিপা ঈচাকী চাতা সালাঈলুপ সাখাঈসিংনা লাঈকী লীচতপু লৌতুনা চতপা য়ালোঈয়ে, অসুমনতি মপালীতা হাঈলককলে, লাঈকী লুপনা ঈচাকী চাতা নাউতাপু সোকউবা অসীতি লাঈপুঙথৌ ৭ কী ঈয়েক ৭ কী মতুঙঈননা ঈপানা ঙসিতাকী হৌনা য়েক হাঈনা কৌলকে।।০।। ঈচাকী চাতা নাউতানা লাঈকী লুপনা চৎলমপা ফিতম লৌতুনা চতলকলাপাতি, লাঈকা মীকা য়েকনাপা, তৈনপা মৌনপা আোঈসুনো লাঈপুঙথৌ ৭ মকক। য়েকনাপসুং আোঈসুনো। য়েকনবা অসিকী মতুঙঈননা ঈকী চালৌ মৌ-লৌনালা য়ালোঈয়ে।।০।। অসুম হাঈলাপাতা। মপালী তুকথাপানা হাঈলকঈ- ঈপাপুঙ সিতাপা! ঈয়েক য়েক হাঈলিলা অসিপু অমুক হননা তাকপীআো হাঈলাপাতা, সিতাপানা হাঈলকলে - পালী ঈপুঙঙো তিংপালপা মাপু কৌলিপা ঈপুঙঙো মহাককা লোঈনতুনা লৈলিপা, লাঈপুঙথৌ ৭ মাতা পকতু ঈকী মআোং মাননা; খুপী মলুম চাউনা আকোঈপা আোঈপা পকঈয়ে, অকোঈপা, অতুপু ঈয়েক কৌয়ে।।০।। ঈয়েক অতুকী মনুঙতা ঈকী ফুন (মতুম) লৈয়ে অতুপু ঈলীক কৌয়ে। ঈলীক অতুকা য়েকনালে য়েক কৌয়ে। অতুকী মলমনা লাঈপুঙথৌ ৭ কী মসাতা পকয়ে হাঈতুনা অপকপসু কৌয়ে। পালী ঈপুঙঙো! লাঈলুপ ৭ কা ঈচাকী ঈকা তিননাতুনা পোকপা অসীপুনা সালাঈ কৌলাকে। সালাঈনা পোকপা অসীপুনা নাউতা হাঈনা কৌখলে, নাউতাকী সালাঈলুপ সাখাঈ পুমনমকনা লৌলাপাতি য়েকka য়েকka ঈ-লৌনাপা আোঈসুনো, মানা মানা তৌপা আোঈসুনো। সালাঈ লুপ সাখাঈসিংনা চালৌ মৌলৌনপা তৌলাপাকা নাউতাকী সুথাঙ ৭ না লোমকনিয়ে হাঈনা তাকপীখিয়ে।।০।। পালী ঈপুঙঙো। ৱালম অসিপু পুথাংকোক, পাথাংকোক ঈথাউকোকনা লেপনপা য়াথংনে! পালী ঈপুঙঙো য়েকka য়েকka চালৌ মৌ-লৌনপা মীতি খঙপা আোঈতাসুনো' (ৱাকোকলোন হীলেলকী লাঃ ৩১-৩৩, ৱাকোকলোন থিলেনগী লাঃ ১১৫-১২১) য়াওরিপা পুয়াগী ৱারোলনা সালাঈ কনানো হায়বসি ঈপুথৌ পাখঙবনা লাঈলুপ ৭ কা ঈ তিননতু পোকপা অসিপুনা সালাই কৌখলে। লাঈলুপ ৭ না সালাই সালাঈ পোকপা খোংলৈ মতমগী মচু মমেননা সালাইগী মচু ওইখ্রে (হীলেন লাঃ ২২ দা, থিলেন লাঃ ৯৮)।

১. মতমগী খোঙলৈকী মতুঙঈননা নুলা ঈপেমমা লাঈকোক হুঈমুলৈ। পুকসিখোমপীনা অযূক্কী খোঙলৈ মচুনা ঙাঙপা মতমদা নাউসংতা পোকখিপানা নৌৱাপু মঙাঙ মিংথোল ফংচখিয়ে। ২. নুলা ঈপেমমা হুঈমুলৈমনা কোঈলৌ মসিনা ৱাংনা ঙৌনা য়ুংপা খোঙলৈ মতমতা নৌৱানা তাঈপঙপালতা ফাউপানা লুৱাঙ মিংথোল ফংচখিয়ে। ৩. নুলা ঈপেমমা লোঈখুমপী মরাঈ থোঙাঈলেলপীনা কোঈলৌ মমিনা খুনা মমপা সুপা খোঙলৈ মতমদা নৌৱা অঙাঙনা তাঈপঙপাল ফাউলকপানা খুমন মিংথোল ফংচায়ে। ৪. নুলা ঈপেমমা লাঈয়েক পীথেত লৈমানা নুংয়াঈ খোঙলৈনা খেমানলা অচীকপা মতমত। নৌৱানা তাঈপঙপালতা ফাউলকপনা আঙোম অঙৌপালপা হাঈনা মিংথোল ফংচায়ে। ৫. নুলা ঈপেমমা লৈমা উলুম খাউচাউ তোনপীনা মমিনা অযুককী ঈচীক অমম অঙান মুনা ঙাঙনা সিননাপা লাংপা মতমতা নৌৱানা তাঈপঙপালতা ফাউলকপনা মোঈলাং মিংথোন ফংচৈয়ে। ৬. নুলা ঈপেমমা লৈথম তালি লৈমানা কোঈজৌ মমিনা য়ুংবা থক-খা-ঙানবা লুমনা ঙানপা খোঙলৈ মতমতা নৌৱানা তাঈপঙপালতা ফাউলকপানা খা-ঙানপা মিংথোল ফংচৈয়ে। ৭. নুলা ঈপেমমা নোংহাইনু লিলী লৈমানা কোঈলৌ মমিনা অতীংআ আোঈনা য়াচঙলকপা খোঙলৈতা নৌৱানা তাঈপঙপালতা ফাউলকপনা সালাঈ লৈসাংথেম মিংথোন ফংচৈয়ে। মথক্তা হায়খিবা য়েক সলাইগী হৌরকলোন অসি অপোইননা মাইচৌনা ৱারী লীরগা, মায়চৌ অহুম অমসুং ইনিংথৌ মোংয়ামগী মমাঙদা চকপালমমচা মায়চৌনা ঈখিবা পুয়ানি। মথংগী পুয়া অসি ঈরমবা মায়চৌ মমিং য়াওদবা ময়েক ৩৫ না ঈবা পামহৈবা নিংথৌগী মতুংদা ইবা লাইরিক অসি লৌখৎচগে। ককরাই লাংপোকতা লৈবা পাকা লুৱাংদগী ফংলগা লাইশ্রম উদয় মৈতৈনা ফোঙবা 'নোংলোল সাকোক পুয়া' হায়না ময়াইদা ইবা মনুংদা 'সনলাই ৭ কী হৌরকফম নোংলোল শাকোক পুয়া' গী অহৌবদা সলাই ৭ পোক্লকপগী মতাং য়াওরি - লংমাইজিং নুমিৎতগী হৌনা লাইনিংথৌ ক্রু সিদবা নঙবু খুরুম্বা ইজরক্কে। সলাই ৭ মক্কী পোক্লরকপা। মরুদি ১) লৈকক লৈয়ারেন চনুনা নুমিৎ কোল্লে। পাখংবা পোকএ নুমিৎতি সগোলসেননে। থাদি ঈংঙানে মাকমৈদি থানিলনে মতমদি নুমিৎ য়ুংব। ঙকয়ানে। নাওরোইবীদি য়াবীলোকনে মচু লংঙে। থৱান পিচাকতি থয়াইনে। মচুদি অঙাংবনে। ঈরুবদি নুংজেংনে। লৈদি থম্বাল অঙাংবনে। লাদি থম্বালনে হৈদি থমচেৎনে। মৈদি মৈয়েনে। নহাইনবদি উয়ুংনে। থাংদি চাকথাংনে। ঙাদি সরেংনে। ২) লাইয়িবীদি মহুমনুনে নোংলুম কোল্লে আঙোম পোকএ মাদি ইঙেননে। মাকমৈদি ১২ নি পালবনে। নুমিৎতি নিংথৌকাবনে। মতমদি আয়ুক য়ু-থকনে। থৌৱান পিচাকতি থৌগনুনে। ইরুম্বদি কোংবা মৈরোম্বীনে। নাহৈনবদি তাইরেননে। থাংদি পুক কপনে। মচুদি অঙৌবনে মৈদি মৈবানে। ঙাদি সরেং অঙৌবনে। ৩) তুংৱাইবীদি থোইনুনে। ইরোই কোল্লে পোইরৈতোন পোকএ লুৱাংনে। থাদি ৱাকচীংনে নুমিৎতি ইরাইনে। মতমদি চীংখৈনে। থৱান পিচাকতি ক্রুরুসিদবনে। ইরুবদি লমফেননে। মৈদি কন্বী খোইজু মৈনি। নাহৈনবদি উখোক মতোন্নে। লাদি লাৱোংনে। লৈদি মেলৈনে। হৈদি কিহোমনে। ঙাদি সরেং সংলুনবনে। থাংদি তোন্দুম্বানে। ৪) মাংৱাইবীদি তলথাংনুনে শামু কোল্লে। খুমন পোকএ মতমদি আহিং নোংয়াইদা পোকএ। মাদি সজিবু থানে থানিলনে। নুমিৎতি লৈপাকপোকপানে। থৱান পিচাকতি মায়াইনে। নাওরোইবীদি পিয়াইনুনে। ঈরুবদি পুমলেন্নে। লৈদি ক্বাকলৈনে, লৈসংনে, মৈদি মৈথাং ৭ তগী লৌও। ঙাদি সরেং অমুবা। লাদি চংবীনে। হৈদি হৈবোংনে। থাংদি তোলককপনে। নাহৈনবদি পুংফাইনে। মচুদি অমুবনে। ৫) চিংনু লৈমানা সজি কোল্লে। ঙাংনিংসিং পোকএ থাদি লমতা থানে। নুমিৎতি নুমিদাং য়ুথকনে। থৱানপিচাকতি চিংচরোইবীনে। মচু অরাংবনে। নাওরোইবদি লৈনুৎ ঙাংসাবীনে। ইরুবদি লোক্তাকনে। লৈদি য়েরুমলৈনে লাদি খংলানে। ঙা সরেং অরাংবনে। হৈদি কাংক্রোনে মৈদি মৈথাং ৩ লক লৌও। নাহৈনবদি লৌহিংনে। থাংদি য়েনবাতোক সাবানে। আসুম্না মোইরাং পোকএ।।০।। ৬) মেরে লোংবম চানুনা। কৈ কোললে। খমজিংকোনা পোকএ থাদি কালেনগী ১০ পি পানবনে। নুমিৎতি নোংমাইজিংনে। মতম আয়ুক য়ুথকনে। মাচুদি আসংৱানলাংএ। নাওরোইবিদি পুরোই লেমনুসুনে। ঈশিং লৈতাংনে লৈদি লৈসংনে। লাদি লৈহৌরানে মৈদি লৈখাম ৱাইবাদগী লৌও। নাহৈবদি নাপুনে। নাসেননে। থাং লাইথাং চিনাইবনে। ঙা সারেং ঙাংনা লাংবানে। হৈদি হৈবুংনে।।০।। ৭) লাফুবিদি অরৈনু। নুংঙো য়ুমথং পোকএ। হামেং কোললে। থাদি ফাইরেন থা ২৮ পি পানবানে নুমিৎতি য়ুমসাকৈগী য়ুথকতা পোকএ মচুদি আৱাওবনা লাংএ। মাচু ঙাংএ থাৱাই পিচাদি লিকথা সাবনে। নাওরোইবিদি হুমুই লৈমনে। ঈসিংদি তাকনাখানে। লৈদি লৈখম লৈসংনে। লাদি ইথমলানে লায়াইনে মৈদি মৈথাং ৫ রক লৌও। নাহৈনবদি নাপি সিংবিনে থাংদি খুনথোক থাংনে। ঙাদি সারেং অমুবনা লাংবনে।।০।।

নৈনবা ৱারোল :- মথক্তা য়াওখিবা ঈপুথৌ পাখংবনা লাইলুপ তলেৎ পাননদুনা মপারি অমমম পোকপা মাখোইবু সালাই হায়না কৌখ্রে। সালাইনা পোকপনা নাওতা হায়না কৌখ্রে। নাওতানা অমুক সাখাইলুপ সাগৈ/য়ুমনাক পোকখরে। সালাঈলেল ফাওবনা সালাইলুপ, সাগৈগী চনু লৌরম্বা অদুদা লাঈয়াম্না লেপনখিবদগী য়েক কৌদুনা মৌ লৌনবা য়াখিদ্রে। য়েক ৭ তগী মমিং অনী হাপচিল্লগা মাপল শুদুনা মাপলবু সালাই মাপল হায়না হায়বা ৱাফম অসি নাতৈ চাবা ৱাফম নত্তে। মরমদি য়েক কৌদ্রিঙৈদা নৎত্রগা খাইদ্রিঙৈদা সালাই ৭ হাননা লৈরমলে। হেনগৎলক্লিবা অসি লাইলুপ কনা কনানা করম্বা মতম খোংলৈদা পোকপনো হংনীংঙাই ওই। হেনগৎলক্লিবা অনীগী করি করি মচু ওইগনি। সালাই ৭ কী মচু ৭ কী ফিরান অসি মচু মাপল ফিরাল ওইবা তাবরা? হৌজিক হেনগৎলিবা সালাই অসি খা-ঙানবদগী খাবা হায়বা অমা ঙানবা হায়বা অমা অনী শুহল্লে। হান্নদি খা-ঙানবা সালাই অমখক্তা ওইরম্বনি। হৌজিক অনী থোক্লে অদু ওইরবদি খাবা সালাইগা ঙানবা সালাইগা লৌনবা য়ারবরা? অসুম তৌদুনা সরাংথেম সালাইগা লৈসাংথেম সালাইগা লৌনবা য়াগদ্রা? য়েক তরেৎকী মখোই অনী অনী থোক্তে, পূন্না মমিং থোল্লি। ঈপুথৌ পাখঙবগী লাইলূপ তরেৎকী ঈকা তিননদুনা পোকপা মচা নুপা ৭ পু সালাই (সা-হকচাং লাই ওইবা) হায়না খঙনখ্রে। য়েক হায়বা অসিনা সালাই সালাইদা পল্লিবা/য়াওরিবা ঈ কাঙলুপ অদুবুনি। মরম অসিনা লাইগী ঈরাৎ থৌরম, হৈকৎ-লৈকৎ পাঙথোকপদা সালাইগী মমিং শীজিন্নগনি। লৌন-লৈনবগী ঈগী মরী থিরকপদা য়েক শীজিন্নগনি। সালাইগা য়েক্লা মশা অমত্তনি খাইদোক্লবা য়ারোই। শেলগী মমাই অনী পানবগুম্বনি। হায়বদি য়ুম্নাক শাগৈ অমগী য়েক্কী মমিংগা সালাইগী মমিংগা চপ মান্নগনি অমত্তা ওইগনি। সনামহী লাইনীংলোই পুম্নমক্ক া অশেংবা অচুম্বা য়েক সালাইগী মমিংদি ১) মঙাঙ (অঙাংবা) (২) লুৱাং (অঙৌবা) (৩) খুমন (অমুবা) (৪) অঙোম (নাপু/হঙ্গাম পনান) (৫) মোইরাং (অঙাংবগা অমুবগা সাংনা লাংবা) (৬) খা ঙানপা (মঙ্গ্রা মচু/মমনা ঙানবা) (৭) সালাই লৈসাংথেম (সংবানবা/অতিয়া মচু) নি হায়না লৌফম থোকই হায়জরি।

লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা চীংমীশিংসু য়েক ৭ সালাই ৭ লৈ। কবুই - ১) কামমৈ ২) গাংমৈ ৩) গোলমৈ ৪) রোংমৈ ৫) মরীংমৈ ৬) লালমৈ ৭) ফাউমৈ। তাঙ্খুল - ১) দুইদাং ২) সাদাং ৩) খোদাং ৪) খাপুদাং ৫) চৌদাং ৬) সিখুদাং ৭) কিদাং। অনাল - ১) সুরচল ২) মাসুম ৩) পাসেল ৪) চানতুং ৫) রুনলাল ৬) হ্রাংপুং ৭ সাসা চোথে কোম - ১) য়ুহুং ২) মাও ৩) মরিম ৪) পারল ৫) রাংসাই ৬) মকল ৭) রককু খোয়োন - ১) রুইন ২) চিলির ৩) সেসোং ৪) সোংসীর ৫) ঙুরু ৬) সিরবু ৭) বুংজীর মরিং - ১) দললা ২) রজা ৩) দিংথোই ৪) চোংদুর ৫) থোইতক ৬) সমপার ৭) থাঙঙা লমকাং - ১) সুরে ২) সিলসি ৩) লৈরোন ৪) কাংতেন ৫) সরতো ৬) পুফেং ৭) মাংত্রেনচিংবা - ১) চৈথারোল কুম্বাবগী লামায় ৮৬ পামহৈবগী মতম পরেং ২৪ দা সালাই ৭ য়াওই ২) চৈথারোল কুম্বাবা লা: ৬৪০ দা বুধচন্দ্রগী মতমদা পরেং ১৫, ২২ দা সালাই ৭ য়াওই। ৩ অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস লামায় ৩৮ দা সালাই ৭ য়াওই। লোইশিঞ্জবা ওইনা মীতৈগী লাই হৱাউবদা মাইবা, মাইবী, পেনা খোঙবনা হায়রিবা য়েক ৭ সালাই মাপল হায়রিবসি অরানবনি য়েক ৭ সালাই হায়বিয়ু। পামহৈবা অমসুং ভৈগ্যচন্দ্রগী মতম অমসুং মতুংগী লাইরিক থাজবিগনু। পামহৈবগী মমাঙগী পুয়া/লাইরিক্তা থাজবিয়ু। মীতৈ মায়চৌগী ৱা লৌসি - মীয়ানচাগী ৱা লৌগুমসি।

# ঈরাং হৌদ্রবদি থবক তৌবা হৈত্রবা মণিপুরগী লৈঙাক

*— ময়াংলম্বম থম্বৌ সিংহ —*

**ঙসি** মণিপুর লৈঙাক্কী মায়োক্তা মণিপুরগী মীয়াম অমদি ওপোজিসন পার্টি কয়ানা মণিপুর লৈঙাক মতিক চাদে, শেঞ্জা থুমজা তৌবা লৈপাক মীয়ামগী খন্দবা অদুগুম্বা লৈঙাক্কি হায়দুনা তত্তনা লাউরিবা অসি লৈঙাকলোইশিংনা খরা খজিক্তং খন্থবীদুনা থবক তৌবা য়াম্নমক মরু ওই।

করিগুম্বা মীয়ামগী মরম চাবা অপাম্বা কয়া মতম চানা পাঙথোকপা হায়বসি লৈবাক ইংনা চিক্লা শান্তি লৈনা পানবা ঙমগনি। ঐখোয়গী লৈঙাকলোয়শিংনা ঈরাং হৌদ্রবা তুমিন্না লৈশিনবগী হৈনবী থাদোকপা চুমগনি। আই এল পিগী ঙসিমক হৌরিবা ঈহৌ অসিদা মণিপুরগী কাচিন কোয়া থুংনা মহৈরোয় কয়ানা য়াওশিল্লক্তুনা থৌনা ফরবা লৈবাক অসিগী মহৈরোয় সাপম রোবিনহুদ থৱায়না পোন্থা পীখ্রে। অমুকসু গভর্ণমেন্ট এদেদ কোলেজ ১১ গী মতাংদা ঈহৌ কয়া হৌরগা, বন্দ কয়ারক তৌরবা মতমদা কেবিনেট দিসিজন লৌদুনা এদেদ কোলেজ ১১ গী ৱাফম লোইশিনখিবনি। টেম্পরেরি মার্কেটকী মতাংদা ইকায় খুম্নজরিবা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রগী এম এল এ জয়কিশন্না অচৌবা থৌদাং য়াবিদুনা য়ানবা পুরকখি। থবক ওইনা পাঙথোকপা য়ারোইদবা হিরমদি খঙদে, য়াগদবা তৌফম থোকপা খরা অদুদি ঈরাং লাক্ত্রিঙৈদা থবক তৌবগী হৈনবী লৈফম থোকই। অদুনদি ওপোজিসন কাঙবুনা ঙাঙনিংবা ঙাঙলিবসি লৈঙাক পায়বদি লায়রদনা মীচম মীয়াম ফাওবা তাদুনা লৈবা ঙমদে। মণিপুরগী এদেদ স্কুল ৬০৫ লৈরিবনি, হান্না ইলিমেন্টরিদগী অপগ্রেসন তৌরকপা স্কুল ৪০ থারগা অপূনবা সেকেন্দরি স্কুল ১০৩ নি। ইলিমেন্টরি স্কুল অসি অপগ্রেসন তৌরকপা মতমদা পোষ্ট য়াওরকপা নত্তে। ক্লাস থ্রিদগী ক্লাস টেন ফাওবা চলাইবা মতমদা এপ্রুভ ওজা অহুম্না য়াবা নত্তে। অৱাবা খাংলিবা ওজা ময়াম অমা য়াওরিবনি। অদুনা গ্রান্দ ফংবা মতমদদি য়াম্না ৱানা অপীকপা শেনফম খরা ফংজরগা মথৌদি তৌদবা য়াদবগী তৌবা ঙাক্তনি। মসিদা মবুক ফরবা এদেদ স্কুল ৬০৫ গী ওজাশিং অসিনা লৈঙাকপু ইকায় খুম্নজদুনা প্রোব্লেম অমত্তা লৈহন্দনা, দিমান্দ অমা ফাওবা তৌদনা লৈরিবসিদা ঈরাং হৌরকপা লৈত্রি হায়না লৈঙাক্লা করিগুম্বা মখল অমতগী মিৎয়েং চঙবা তৌদনা তুমিন্না লৈরিবসি স্কুল ৬০৫ অসিগী ঈরাং লাকপা ঙাইরিব্রা? ঈরাং লাকপা অসিবু কয়াম নুঙাইবনো? অমরোমদা এদেদ স্কুলগী ওজাশিং লৈঙাক্কী থবক তৌবা অমগুম মীখলগী মীকোক থিবগী থবক অমদি হীরম কয়াদা শীজিন্নরিবনি। অদুগা থৌওইবীদবগী চাংনা নোংমা নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। অমুক্কা লৈঙাক্কী সিক্স পে কম্মিসন এদেদ স্কুল ওজাশিংগীদি করিগুম্বা পোলিসি অমত্তা লৌখৎপিদ্রি। অমুকসু মীয়ামগী খন্দুনা অন এপ্রুভ ওজাশিংগী খল্লগা অপীকপা তোলোপ খরা ফংলগা থবক্তগী পোত্থাখ্রবা খ্বাইদগী মরাইবক থিরবা চহী অহল ওইশিল্লক্তুনা অতোপ্পা থবক শুবা ঙমজদ্রবা ওজা কয়াগী সার্ভিস প্রোটেক্সন পীবিনবা হায়জবা তাবীদবদগী কোর্টতা কেস ফাওবা তৌদুনা হোৎনজরিবা অসিদা মনা পান্দ্রবা মমিৎ য়াওদ্রবা লৈঙাক্লা নূংনা শাবা মীতমগুম তুমিন্না লৈথোক্লিবসি ঈহৌ তৌদুনা মীশি মীনা থোকপা ঙাইরিব্রা? করিগী এদেদ কোলেজ ১১ গী পোষ্ট ময়াম অমা পীবদা এদেদ স্কুলগী করিমত্তা য়েংবীরমদ্রিবা করিগীনো? এদেদ ওজাশিং ঈরাং হৌবা য়াওদে হায়বগীরা? অৱাংবা থাক্কী মহৈরোয়, অনেম্বা থাক্তগী লাক্লিবনি। গ্রাসরুটতগী শেম্বা হৌদনা মথক্তগী শেম্বা হৌফম থোকপ্রা? এদেদ স্কুলগী ওজাশিং লমদম অসিগী মীচম মীয়ামনি হায়বসি লৈঙাকলোয়শিংনা খঙদব্রা? চহী ৬০ শুবা খঙদে, শুদবা খঙদে ওল্ড এজ পেন্সন পীরিবনি। অদুগা মহৈরোয় শেম্বদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌরকখ্রবা, অৱাবা কয়া খাঙলকপা ওজাশিং অসিগী ফংফম থোকপা পেন্সন তাল্লিবা অসিদা করিগুম্বা খরা খন্থবীয়ু হায়জবসিবু ঈরাং হৌরকপা ঙাইরিব্রা? মসিবু ঈরাং হৌহন্দনা অচুম চুমদা য়েংবীদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপদা করি অকায়বা লৈবগে? মমা মপা ওইরবদি পোলিসি কয়া শেমদুনা মচাশিংগী দিমান্দগী মরমদা খনফম থোক্তব্রা? ঈজৎকী য়েংদুনা মীয়ামগী খন্দ্রবদি করম্বা মখলগী মপী মপানো হায়রোইদবগী মরম লৈব্রা? মণিপুরগী কেন্দ্র ৬০ অসিগী মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বা থুংহনগনি হায়দুনা মীখল থেংনদুনা ময়ায় লোইশঙদা ফমদুনা অশিল অরাং তৌরিবসি চীংগী মীহুৎ ২০, তমগী এস সি অমা য়াওরগা মীহুৎ ৪০ নি। শাংলবা চহী ৩৫ হেল্লবা এদেদ স্কুলগী পুৱারী মনুংদা মীফম কয়া ফমখ্রে, সি এম কয়া, ঈ এম কয়া শিনখ্রে। ঙসি ফাওবদা মণিপুর এসেমব্লিগী মীফমদা মরাইবক থিরবশিং অসিগী করম্বা ৱাফম পুথোকখ্রবগে। করিগীদমক উনা উনা, খঙনা খঙনা হংনা শাবা মীওইগুম্না লৈথোক্লিবনো? লৈবাক পুবদা মীয়ামগী ঈহুল খঙবীবা অসিবু মীয়ামগী মীহুৎ অমগী মথৌ নৎতব্রা ? করম্বা রাজ্যশিংদা অসিগুম্বা স্কুল লৈবগে? দিপার্টমেন্টনা হায়রি, এদেদ স্কুল মহৈরোয় লৈত্রে, মখোয়দা থাদবা শেনফম পাম্মুই। মসিগী মহয়দি লৈঙাক্লি। লৈঙাক্লা চুম্না য়েংশিনবীরবদি এদেদ স্কুলগী মহৈরোয়শিং কৈদৌনুংদা অৱাৎপা লৈরোই। ইনাক খুনবা পৈশা পায়বা মীশিংনা য়াম্না লৈবা সহরগী এদেদ স্কুল খরা উরুরগা এদেদপূম্বা মহৈরোয় লৈতে হায়বা ৱাফম ইদবা চেদা চিঠি পাবগুম থোক্কনি। ফিল্ডদা চৎপীদুনা মহৈরোয় লৈবা অমসুং লৈতবা খন্দোকপীদুনা মথৌ তাবা থবক অথুবা মতমদা মপী মপা অমা ওইনা পাঙথোকপীয়ু।

অমরোমদা মণিপুর অসি লৈত লায়র কয়ানা লৌউ-শিংউবগী থবক তৌরগা মদুদগী থোরকপা পোথোক অদু য়োন্থোক য়োনশিন তৌরগা মচা মশু শেম্বা ঙাক্তনি। তোলোপ চাবা মীগী মশীং য়াম্বা নত্তে। তাঞ্জা অসিদা ফজখ্রবা ফুদ সেক্যুরিটি এক্টনা লৌউ-শিংউরগা পোথোক পুথোকচরিবশিংদা করম্বা অকায়বা পীরক্কদৌরিবা? ফৌ তাইবা শিৎত্রবদি মখোয়না করম্না মচা শেমগনি? মখোয়গী ইমুংশিংদা প্রোব্লেম থোরকপা তাবনি। লৈবাক অসিদা লন্নাই স্কুলশিংদা ফি হুনবা ঙমদবা অমদি মিং চনবা ঙমদবা অমদি লাইরিক লৈনবা পৈশা লৈজদবা লোয়ননা নোংমগী চরা ফাওবা অনী শুনা চাবা ফংদবা মীওই কয়া লৈরিবনি। উপাই লৈজদ্রবা ইমুংশিংগী অঙাংশিং অদুগী থৌরাং কয়া লৌখৎফম থোক্তব্রা? লন্নাই মহৈলোইশঙশিংদা তমহনবীরিবা মমা মপানা এদেদ স্কুলশিংদা মচাশিংবু মহৈ মশীন তমহন্দুনা চেকশিন্না য়েংশিনবীরবদি মহৈসু হৈগনি, পৈশাসু তিংলোই। এদেদ ওজাশিংবু লৈঙাক্লা পূক্লিং থৌগৎপীদুনা অমদি ওজাশিংনসু অঙম্বা থাক্তা মহৈরোয়শিংগীদমক খনবীদুনা অচৌবা থৌদাং লৌহন্নিংই। ওজা অমগী তঙাইফদবা মথৌসি অতনবা য়াওদনা অঙাংশিংবু শেমগৎপনি।

এদেদ স্কুল ফহনবদা মচাক খরা চঙই। মরু ওইবা থৌশিল থৌরাং পূম্নমক লৈঙাক্কী থবকনি। মহৈরোয়শিংগী মমা মপাশিংগীসু অচৌবা থৌদাং চঙই। অদুগা মহৈরোয়শিংসু মহৈদা পূক্নিং চঙবা অমদি ঙাওশিন্নদবা, মমান্নবশিংগা লম্বা তৌনিংবগী থৌনা লৈবগী হৈনবী থমগদবনি। মরম অসিনা অফবা খুন্নাই অমগীদমক খনবীদুনা মিৎয়েং চঙবীয়ু। এদেদ স্কুলশিং ফহনবা করিসু নত্তে। ঈরাং অমসুং ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈদা অথুবা মতমগী মনুংদা মতমগা চুনবা থৌশিল থৌরাং কয়া পায়খৎপীদুনা মণিপুর রাজ্য অসিবু হেন্না চাওখৎপা লৈবাক অমা শেম্বদা লৈঙাক্লা অচৌবা থৌদাং লৌবিয়ু।

মরোল থোকপা লাই

